# ‘কোন্না শিংলকপা মীতৈ -!’

- এল ইবোমচা -

মী ফত্তবগী হীদাক লৈতে। শিরবসু মরূনা য়ুবা। চামিন্নবা হাওবনি, পুমিন্নবা য়াঙবনি। তরাগী চৈশুনা লেংথোং ফাই। ফম্বা চল্লগা হিপ্পা চল্লি। য়ুমদাংবনা কৈ নাইবা। হুরানবগী তরানি মপুগী নোংমা। চোপ্পদগী চোপ্পসি চাবদগী হেন্না চোপ্পা অমা লৈতে। ৱাতোন্না ৱাংলগা ক্লাক্লা ফমদেকই। অরংবা খুদিং সনা নত্তে। ক্লাক্তা ৱাহোং মতু থেৎপা। হৌদোং তুরেল কুমদবা। অহল মথীনা চফু মেল্লি। মীনা শিবনা চীন্দা, শানা শিবনা খোঙ্গুলদা। নিংথৌগী মনা ফক্লাংদা থেৎলি। য়োৎতি শারিঙৈদা য়ৈহৌ। লান্দাবনা লাকচৈ। য়াহৌ ঙনবা শেন্দ্রাং চেঙ মচং চাই। উনৌনা উরি পুল্লি। পাংদবশিংনা হন্না-হন্না শি, থৌনা ফবনা শিবা মশক খঙদে। চাদ-শন্না চখোম জাউ, উদ-শন্না মিৎলাওবী; উহৈ পানবা উশা মরূ লুকই। তঙাইফরক্ত্রবা মতমদা মতেং পাংবদুবু অশেংবা মরূপ্পি। নীংবু নীংদ্রবদি ঈশিংদা তাউবা হিগুমই। নাপীগী মপান কৈনা তাং, কৈগী মপান নাপীনা তাং। চেংবনা কারগা কা, চেংবনা কুল্লগা কুম। চরাম্লবা মীদি শাওরবনি। অতূম্বা নোংশাগী খয়াৎতা শজিনা খক চংদে। অতনবগী কোক্তি লাই ফত্তবগী য়াকাবুংনি। পূন্সিগী মমল, পাঙথোক্লিবা থবক্লা লেপ্পী। নাচল মথীনা পাউহোম্বা। য়ূমহোং তোয়রগা লায়র তাল্লি। চৈরমদা থোংখোং শাবা। কোর্ফু কোফান লায়রবা কোলনি। কোর্ফু য়োম্থোক্লগা তুম্বা লেপ্পা। অঙাংদি নীংথাদা খঙই। নাওশুম হায়রিবা খূৎসিনা পৃথিবীগী সাসন তৌগনি। খুরক্কী ঈনা লাই শাবা। উ লৈতবা মফমদা কেগেনা য়ূম্বী ওই। কলিদা খুদৈ কংদে। থৌবান্দোংগী চফুবু কায়নবা য়ৈব্রা? নহানা মাইবা শাবা মঙ থল্লি। লমগী ষণনা মচি শাংই। খোঙ চোৎলগা চিন চোৎলি। লৈচিন্দা তেন কাপ্পা। তুরেলগী ঈশিং হঙ্গৎনা চেন্দে। হুন্নরবদি লৈতুম ৱাত্তে। মীচা শিসনু খল্লগা ইচা শি। মনানা হৈমাং শাবা অসিনচিংবশিং অসিদা নত্তনা মসিদগী হেনবা পাউরৌ পাউতাক মশীং খঙদনা লৈবা মীতৈ ফূরূপ্পি।

মণিপুরগী মীতৈ ফূরূপসি চহী লিশীং অনীরোম মথক্কী মশাগী পুৱারী, সংস্কৃতি, খোরিরোল অমসুং চাওখৎপা ৱায়েল থৌদাগী থৌশিল লৈজরক্লবা মী কাঙলূপনি। ৱাফম অসি মণিপুর পুৱারীগী মচাক ওইরবা চৈথারোল কুম্বাবা, নিংথৌরোল লম্বুবনচিংবা অরিবা খূৎইগী লাইরিক কয়াগী মতেং অমদি মপান লমগী খঙ হৈরবা শক্লাইরবা কয়ানা ইরকপদগী মরীক চুম্না খঙনরবা ৱাফম্নি।

ময়েক্কী মতাংদসু মদু মঙাই মীতৈলোল (মণিপুরী) অসি ইনবগীদমক মীতৈ ময়েক হায়না খঙনদুনা মশাগী অরিবা ময়েক লৈজরকই। মশানা পন্দিৎনি হায়জবা খরনা মীতৈ ময়েক অসি চাইনিজ ময়েক্তগী মতৌ তম্বনি হায়না হায়নবসু য়াওই। ৱাফম অসিমক্তি পুল্লান লাল্লবা ৱাফম্নি হায়দুনা শন্দোক্লা তাকপীবা য়াই। মদুদি চাইনিজ ময়েক্লা মীতৈ ময়েক্লা ইবগী মওংদা অমদি খোম্থোক্তা পুমখেন খেন্নে। চাইনিজগীদি ময়েক অমমমনা ৱাহৈ অমমমগী মহুৎ শিল্লি। অদুগা মীতৈ ময়েক্কীদি ময়েক কয়ানা পূনশিল্লগা ৱাহৈ অমা ওই। অদুগা চিন্না পাবদসু খোম্থোক মান্নদে। চাইনাগী ময়েক্তগী মীতৈ ময়েক পোকখি নৎত্রগা মতৌ তম্বনি থাজবা য়াবা মচাক অমত্তা য়াওদে। মীতৈ ময়েক হৌরকপগী মতাংদা অরিবা খূৎইগী মতুংইন্নদি ময়েকসি তাইবঙ মপূনা শেম্লম্বা ময়েক্নি হায়না ইরম্বা থেংনৈ।

ঙসি মালেম অসিদা চাওখৎপা কাঙলূপ ফূরূপ হায়দুনা খঙনরিবসি লোল ময়েক লৈজবা অদুবুনি। লোল ময়েক লৈজবা ফূরূপ অমগী মফমদা ধর্ম্ম, নাৎ, চৎনবী, হৌন-লোনচৎ, থকসি-খাসি, ফিজেৎ-চাকচা করিসু নত্তে। ৱাত্ত-পাদনা মরাং কাইনা অদুমক লৈরম্লগনি হায়বনি। ফূরূপ-কাঙলূপ অমদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবসি লোল অমদি ময়েক অনীসি তুনা চৎমিন্নবা অদুবু চাওখৎপা ফূরূপ হায়নৈ। মীওইবনা লৈকুৎ লৈরাই, উমং-ৱামংদা লৈরিঙৈ ফি শেৎকনি খঙদ্রিঙৈগী মতমদগী ওইরবসু লোল ময়েক লৈজবা ফূরূপ্পা অতৈদগী খরদি অদুমক চাওখৎতুনা লাকচরবনি তাকচৈ।

অসুম্না থাক ৱাংনা মীগা লাইগা চারৌ-মৌরৌনদুনা ওইহল্লকপনি হায়বদা মতিক চারবা মীতৈ ফূরূপ মরক্তা হৌরকফম মফম মথোং মরম খঙদবা খোংজাইশিংবু মমাঙঙৈ মতমগী মীতৈ নিংথৌশিংনা মীওইবগী মীনুংশিদা শৈদাংফম পীদুনা লৈহল্লম্বনি। অসুম্না শৈদাংদুনা লৈহল্লম্বা ঙসিগীনা কুকি হায়না খঙনরিবা ফূরূপ অসিগী মীওইশিংনা মরম ইচা চাদনা মীতৈশিংদা অতম্লনা লান্দারক্লিবা মসিমুক ঙকপা অনী শুদে। মহৌশা অসুম্না তৌরম্বা ফূরূপ নত্তে, মতু মমান ইপোন পোন্না মীতৈদা তাংজরগা লৈরম্বনি। লৌউ-শিংউবা, মহৈ-মশীন অমদি লৌশিং জ্ঞান মীতৈশিংনা তাকপী তম্বীরকপা ঙাক্তনি। ঙসিনা ওজ না তাকপীবদি খজিক্তং, ঐহাক্লা খঙজবনা অয়াম্বনি খন্দুনা মখূৎ পায়দুনা তাকপী-তম্বীরকখিবা ওজা গুরু শক্লবা মীতৈশিংগী মথক্তা কারকপনি। হূইনাও মচা চাউনবা য়োক্লগা লৈতোন লেকই হায়বদু মীতৈশিংদা তৌরকপনি।

তৌবগীদি জগৎ সংসার অসিদা অফবা মী, ফত্তবা মী হায়না অনী থোক্লা লৈ। অফবা মীনা মীগী মাঙনবা খক তৌগে খন্দে, ওইদবা ৱা ঙাঙদে, ইথক্তা তাইবঙ মপূ লৈ থাজে। মীগী অৱাবা উরগা মঙোন্দসু ফাওই, মরম অদুনা অৱাবা অদুদা মাগী অঙম্বা মতেং পাংনীংদুনতা লৈ। ফত্তবা মীদি মীগী মাঙনবতা তৌনীংদুনা লৈ, মীনা খম থেংনা ৱারগা মাগী নুংঙাইবা ওই। মীগী নুংঙাই-য়াইফবা উরগা মশাদু খোইরাং খোইশাওনরদুনা মথম্মোয়দু প্রোক-প্রোক চাকচৈ। মসিদা নত্তনা মানা লৈরু লৈরুরিবা মফমদা মী অনী শুনা তিন্নবা য়াদে, ফূন-চৈনবা, খৎনবা, মরৈ য়েৎনবনচিংবা ইতৎ তত্তনা থোক্তুনতা লৈ। হায়রুদুনা কান্নদে। মপা, মমা, মচিল-মনাও ফাওবা ঙাইহাক্তং তিন্নবা, উনবা য়াদে।

খরা পাক্লা চাউনা য়েংবদনা অসিগুম্বা ফত্তবা ফূরূপকী মীওইশিং অসিগী মরক্তগী লাইরিক-লাইশু হৈবা মীরক তিনবা মীওই অমা অনীদং লৈরকপদা থোক্লবদি অতোপ্পা মীওই অমত্তা মী ওইনা উবগী ৱাদু লৈত্রে। নাপী-শিংবী ওইনা উবা জাৎনি। মখোয়গী লমচৎ শাজৎ, ৱাঙাঙ-শঙাঙশিং মতৌ অমনি ময়ামদগী তোঙাল্লি। অচাউরম কাবা, মী উশিৎতবা, নাপল কাবা, মীঙোন্দা হে, হা শীজিন্নে। মশানা ঐনা মহেল্লে হায়বসিদা মুক্তুনা লৈ। মখোয় অসি য়ু, গঞ্জা, কানি, হিরোইন পাউদর, জ্বার অমদি মীগী মপোৎ মরল হেন্না পাম্মী। শম্না হায়রবদা মখোয় অসি খুন্নাই অসিগী মহীক, মালেম লূম্নবা পোকপা মচানি হায়না মীয়াম্না শীংথানৈ। অসিগুম্বা মীওইশিং অসি অতৈ কনা নত্তে জঙ্গল কোকথোক্লগা পোপি পাম্বী থারিবা, রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়াদা লম খোপ্লিবা, এন আর সী চৎনবদা অথিংবা পীরিবা, বোর্দর ফেন্সিং তৌবদা অয়েৎ-অপন পীরিবা কুকি ফূরূপকী মীওইশিং অসিবুনি।

তৌবদি হন্দক মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং (মীহাৎ-মীপূন) অসি মীতৈশিংগী চেকশিলহৌদবা অমদি কা হেন্না পুক ফরুবা, পীজ-পীথক তৌরুবা, মীগী অৱাবদা মীনুংশি পোক্লুবা, মরমচৎ খঙদবা মীদা শৈদাংফম মফম পীদুনা লৈহল্লুবদগী থোক্লকপনি খনবা য়াই। মীতৈশিংগী য়াম্না চাউবা অশোয়বা অমনা মীতোপনীবু হায়রবদি মহাকপু হাৎলমগদবা মীদু ফাওবা খন্থরুবা তৌদনা পোকমিন্নবগা চপ মান্ননা চামিন-থকমিন্নবা অমদি ইশাগী ওইবা পূক্লিংগী ৱা ফাওবা তাথোক-তাশিন তৌরুবা অদুগুম্বা অমনি। ইশাগী ওইনা থমগদবা অচিৎ-অকোম খুদিংমক খঙহন্দুনা তাথোক-তাশিন তৌরুবদগী লোইনা খঙখ্রবনিনা অকোনবদা ঐগী অশোনবা তাঞ্জা য়েংলগা কুকিশিংনা মীতৈশিংদা য়াম্না লায়না লান্দারকপনি। মসি কুকি ইচিল-ইনাওশিং হায়না তত্তনা কৌরুবগী মহয়নি। কুমজা ১৮১৯-১৮২৬ ফাওবদা থোকখিবা চহী তরেৎ খুন্তাকপা (অৱা লান) মীতৈ ঐখোয় কাউমন্নসু কাউইদা। কবো তম্পাকসু মাঙখ্রে, ঐখোয়গী নীংতম্বসু মাঙখিদুনা ইন্দিয়াদা তিনখিবনি নীংশিংনদ্রে। নীংতম্বা মুনবীখিবা ইন্দিয়ানা ঐখোয়গীদমক অফবা থবক তৌবীরক্লোই খন্থদবা মাল্লি। হৌজিকসু মীতৈশিংনা লান অসি ইন্দিয়ানা খাম্বীরকখিনি খন্না ঙাইরি।

মীতৈশিংদি নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা মীনা লাকচবা য়ারক্তে, ইমা লৈবাক্কীদমক নোক্লা নোক্লা থৱায় থাবা পাম্মুদে, ইমা লৈবাক নহাক্কীদমক চান্মরক শিজগে, চান্মরক পোকচগে হায়বা ৱাহৈসি মন্ত্র ওইনা শীজিন্নদুনা লৈরি। অদুগা শোমদনা শৈদাংবা কুকিশিংনা মখূৎতা অফবা মখলগী খূৎশু খূৎলায় পায়দুনা অউবা মীতৈ খুদিং হেক্তা হাৎকদবগী লুমদুনা লৈ। পাক চাউরবা চীংমাই অসি ঐখোয়গী লমনি হায়রবসু চহী কয়া চূপ্পা য়েংশিন্দা (ফ্রী হেন্দ) থাদোক্তুনা থল্লুরে। কুকিশিংনদি মপূ লৈতবা লমদমনি খন্নদুনা ম্যান্মারদা লৈহৌবা মখোয়গা নাৎ-চৎনবী, লোল মান্নবা ময়াম কৌশিল্লগা খুল কয়া’মা শেমগৎতুনা খুন্দাশিনখ্রে। মসিদা ঐখোয়না চাউনা শোয়রিবদি মখোয়না ঙাঙনবা লোল ঐখোয়না খঙদ্রে, ঐখোয়গী লোলদি মখোয়না শিং নান্না খঙই, খঙনবসু ঐখোয়না হোৎনরুদে। ঙসিদি করি শারে, কুকিশিংসি তাম্থোকপসু ঙমদ্রে, লাম্থেংনবসু ঙমদ্রে। মখোয়গী ওইবা লাল্লোং য়াৎখিবা লোইরবা মতুংদা ঐখোয়না কোন্না খঙলক্লে। মীতৈ ঐখোয় হিংবদা খরদি লুগদৌরি। “কোন্না শিংলকপা মীতৈ!” ওইরে কমদৌনি? ●

# অমুক তাক্লখিগদ্রা?

মতম মতমগী

গুরুময়ূম জ্ঞানেশ্বর শর্ম্ম

মমাঙঙৈ দ্বাপুর যুক্তা কৌরব অমসুং পান্দব অনীনা কুরুক্ষেত্রদা শোক্লখিবা মহাভারত লানগী চৎন-কাঙলোন লৈ। লান হৌদ্রিঙৈদা নাকল অনী ফম্মিন্নদুনা লানবুংদা চৎনগদবা চৎন-কাঙলোন শেমখি। নাকল অনীমক্লা য়ানখি, ঙাক্লা চৎকনি হায়নখি। মী অমগা মী অমগা লান থেংনগদবনি, খূৎলায় পায়দবা মীদা খূৎ থারোইদবনি, লৈমায়দা লৈবা মীদা দোলাই মথক্তগী খূৎ থারোইদবনি, নুমিৎ তাখ্রবদি লান লেপকদবনি, নুমিদাংগী মতমদা নাকল অনীমক্কী মীওইশিংগী মরক্তা চঙথোক চঙশিন তৌবা য়াগদবনি হায়বনচিংবা কয়া য়াওই। ভীস্মনা কৌরব তেঙ্গোলগী সেনাপতি ওইরিঙৈদদি নাকল অনীমক্লা লানগী চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লরম্মী। মহাক্লা তুখ্রবা মতুং তেঞ্জৈগী শৈজাদা য়াতাদুনা লৈখ্রবা মতুং গুরু দ্রোনাচার্যনা কৌরব তেঙ্গোলগী সেনাপতি ওইরক্লবা মতুংদগীদি লানগী কাঙলোন থুগায়বা হৌরকখি। চক্রভিয়ু মনুংদা অভিমৈন্যুবু মহারথী ময়াম চঙদুনা হাৎখি। লানগী কাঙলোন থুগায়খিবা কৌরব মমৈথংদা মায়থীখি, তুম্না মাঙখি। ৱারী মতেক অসি ইজরুবগী মরমদি অচুম্বনা মমৈদা জয় ওই হায়জনীংবগীনি।

মীতৈগা কুকিগা অনীগী মরক্তা শোক্লরিবা লান অসিগী চৎন-কাঙলোন লৈতে, লানগী কাঙলোন লৈত্রবসু কুকিনা ইনহ্যুমেন ওইবা, মীওইবনা তৌনদবা, চৎনদবা তমথীরবা থবক থৌওং কয়া তৌখ্রে, হৌজিকসু তৌরি, খুদোংচাববু ফংলবদি মখা তানা তৌরকখিগনি। ময়ূমদা তূন্লিবা মীবু চিংথোক্লগা মঙক কত্তুনা হাৎপা, চহী য়াল্লবা অহলবু থোঙ লোনশিল্লগা য়ূম মৈ থাদুনা হাৎপা, মঙক কক্লগা য়ান্দুনা থম্বা মসিবু মীওইবগী লীচৎলা? সিপরেট এদমিনষ্ট্রেসন কনাদা তানগদবনো খঙদ্রি, ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তানগদবদু মীতৈ হাৎলগা ফংগদ্রা? লানবুদি মীতৈনা ঙমগনি অরানববু কয়াম কুইনি হায়বগে? মহাভারতকী লান্দা করাম চাউবা কৌরব মায়থীখিবা অদুগুম্না কুকি মায়থীবদি শোয়দ্রবনি।

অচুম্বনা মমৈদা জয় ওই হায়বদি মমাঙঙৈদগী হায়নরক্লবনি, ধর্ম্ম খুদিংমক্লসু য়ানরবা ৱাফমনি। মালেমদা লৈরিবা ধর্ম্ম অমত্তনা অরানবা তৌ, ওইদবা ঙাঙউ, মীগী মপোৎ হুরাল্লু, য়ূম মৈ থাউ, মী হাৎলু হায়দে, থেংনদে। কুকি মিলিটেন্টশিংদা প্রভু যিশুনা লোন্না হায়রমগদ্রা? থাজদে হায়রম্লোই, বাইবলদা য়াওবা থেংনদে। পোপি থাবা দ্রগ করবার তৌবা মখোয়গী তোঙানবা বাইবল অমা লৈরম্বা হৌনদে। কুকিশিংগী চর্চ থুগায়বদসু শাওফম থোক্তে, তৌহৈদবা থবক অমা ওইনা লৌফমসু থোক্তে। চর্চ লৈবগী করিবু মথৌ তারিবগে? নোংমাইজিং নুমিৎতা তাই কিরগা মখূৎতা বাইবল পায়দুনা চর্চ কাবগী মথৌবু তারিব্রা? পোপি থাবা, দ্রগ করবার তৌবা, মীগী ময়ূম মকৈ মৈ থাবা, মীগী মরন মথুম হুরানবা অদুদগী হেন্দোক্তুনা খূৎলায় পায়দুনা মীচম হাৎপা, নুপী অঙাংদা নত্তবা লীচৎ চৎপা লমচৎ নাইদবা নোংমৈ পায়বা মখূৎতুনা বাইবল পায়ফম থোকপ্রা? চর্চতা চঙলগা করি হায়রুগদৌরিবা? ও গোদ মীগী পোৎ চৈ য়াম্না হুরাঞ্জগে, লুট তৌজগে, মীতৈ য়াম্না হাৎচগে, মীতৈ হাৎপদা খুদোংথীবা নংহনবীগনু হায়না খুরুম্লুগদৌরিবরা? য়ারোই, য়ারোই প্রভু যিশুনা মখোয়বু শুকয়া য়ারোই। হায়নবা লৈ মী অফবা শ্বর্গ কাদে, মখোয়না লৈরু লৈরুবা মফমদো শ্বর্গ ওই, ফত্তবা মীনা লৈরুবা মফম্না নোরোক ওই। বাইবলদা শ্বর্গ-শ্বর্গ হায়নরিবদো কুকি মিলিটেন্টশিং অসিনা হিংলিঙৈ মতম অসিদসু ফংদ্রে, হয়েং শিরবা মতুংদসু শুকফং ফংলরোইদবনি। হৌজিকপু কুকিশিং নুংঙাইবা পূন্সি মরেল অমা ফংলিব্রা? মরাল লৈতবা মীতৈদা লান্দারুবগী মহয় ফংবা হৌরবনি, মখোয় নোরোক্তা লৈবগা মান্নরবনি, ৱাবনা খম থেংলবনি। লান অসিগী মাষ্টরমাইন্দ ওইরিবা মন্ত্রি অনী য়াওনা এম এল এ ১০ ইম্ফালদা ভি আই পি ত্রিটমেন্ট ফংদুনা লৈঙাক্কী ওফিসর ওইনা লৈরম্বশিং, বেঙ্ক য়াওনা অতৈ মশক নাইবা কোর্পোরেশন, কম্পনিশিংদা থবক তৌরম্বশিং অমদি মখোয়গী মচুম চাবা (মপান লমগী য়াওনা) উৎ-পাৎ তৌবা মীওইশিং শুপচিল্লবদা কুকি হায়বা ৱাহৈ অসিনা কোনশিনবা মীওইশিং তম্পাক্তা মশক উবা ফংদ্রে। মমাঙঙৈ মখোয়গী মপা মপুশিংনা কোইচৎ চৎলগা চীংনুং মান্নুংদা, লৈকুৎ লৈরাইদা লৈরম্বা, পান-মাইরেল ফূৎলগা মদুনা চীঞ্জাক ওইনা চাদুনা হিংলম্বা পূন্সি মহিং অদুদা অমুক হঞ্জিনবা তাবনি।

মপান লম চৎপা তারবসু মিজোরাম নৎত্রগা নাগালেন্দ চৎত্রগদি এরোপ্লেন তোংবসু ফংদ্রে, মদুসু তম্পাক ফাওরগা চৎপা ঙমদবনা চীংনুং মানুং ফাওদুনা নুমিৎ কয়ানি চঙনা চৎলগা তোংবা তাবা, কয়াদা নুংঙাইরবনো? ইম্ফালদা ইকোম কোম্না অনা লায়েংজরম্বা অদুগী খুদোংচাবা অদুমসু মাঙহঞ্জখ্রে। কনাদা তাইনরুনি নশানা থাকচবা লাংদা নশা থুজবনি। মখোয়গী ৱাবগী চাং পন্দোম লোল্লে। নোংমা ঐহাক্লা থবক তৌমিন্নরম্বা কুকি ইমান্নবা অমনা কোল তৌরক্তুনা ৱারী শানখি, লান হৌরকপা মতুং ইকুই কুইদ্রিঙৈদনি। লানগী মতাংদদি নত্তে, ওফিসকী ওইবা ৱারীনি, লোইশিল্লকপদা মহাক্কী নুপীদুনা পায়রকই, ঐনা নুংঙাইরিবরা হংলুবদা ‘সার ৱাখল তাদবা খরনা ঐখোয়বু ৱাহল্লে, ঐখোয় য়াম্না ৱারে’ হায়রকই। মহাক্কী ৱাহৈদুনা তাকই মখোয় য়াম্না ৱারে হায়বা মদুসু ঙসিদগী থা ৬/৭ মুক্কী মমাঙদনি, মখা তানা পাউ ফাওনখিদ্রে।

লানগী অৱাবা চৈথেং ফংদবা কনাবু লৈরিবগে? লান নুংঙাইবা কুম্মৈ নত্তে। মহাভারতকী লানদা গরুর পুরানগী মতুংইন্না পান্দবগী তেঙ্গোল ৭, কৌরবকী তেঙ্গোল ১১ অপূনবা তেঙ্গোল ১৮গী খোঙমী লান্মী পূন্না মিলিয়ন ৩.৯৪গী মনুংদা হিংহৌবসি শ্রী কৃষ্ণগা লোয়ননা পান্দব মচিল মনাও ৫, ধৃষ্টরাষ্ট্রগী মচানুপা পান্দবগী মায়কৈদা লান য়াওখিবা য়ুয়ুটশু, কৃপাচর্য়া, অশোথমা, কৃটভর্মা অমসুং সাটকীগা মখোয় ১১খক্তনি হায়না থেংনৈ। পান্দব লান ঙম্বগী নুংঙাইরমগদ্রা? কুরুক্ষেত্রদা লান শোক্লনবা খোঙমী লান্মী পূন্না মিলিয়ন মরিরোম চৎখ্রগা শ্রী কৃষ্ণগা পান্দব মচিল মনাও মঙানা লানঙম ফিৱাল পায়দুনা লান ঙম্লে হায়না লাকপদা নুংঙাইরমগদ্রা? লান্না অফবা অমত্তা পুরক্তে। লাননা মরম ওইরগা লমদম অসিদা মীপূম খুদিংমক ৱাই, মীতৈসু-কুকিসু অনীমক ৱাই। কুকিবুদি ৱাজসনু, ৱাফম থোকপনি। মরম চাদনা মীতৈদা লান্দারুবগী ৱাজবনি। মীতৈগী য়ূম মৈ থারমদ্রবা, মীতৈ হাৎলমদ্রবা মখোয় ৱারমগদ্রা? মীতৈনা মরাল লৈতনা ৱাবনি, মরাল লৈতনা ৱারিবসি মরী লৈনবা লৈঙাক্লা য়েংশিনবীফম থোক্তবরা?

থা ১০ হায়জিল্লক্লবা ফাওবা করিগী য়েংদুনা লৈবনো? ফূরূপ অনী হাৎন-শুনবদা তূমিন্না য়েংদুনা লৈবগী মরম লৈফম থোকই, খঙদে উদে হায়বনা পাউখুম ওইবা য়ারোই। কনানা হৌই, করিগীনো হায়বদু ঙল্লিঙৈদা খঙদ্রবসু ঙসিদি খঙফম থোকই, খঙবসু খঙলম্লনি। করিগী খঙলোই অদুক য়াম্না চাওখৎলবা ইন্দিয়ানবু। শান্তি পাম্বা লৈঙাক নৎত্রো? মীৱৈবাক্তা লান খাম্নবা পিস কিপিং ফোর্স থাখিবা লৈবাক্লা মশাগী ষ্টেট মনুংদা কাঙলূপ অনী হাৎতোক্লবদা য়েংদুনা লৈফম থোকপ্রা? মালেমগী শক্তি লৈবা লৈবাক মশীং থিবদা মমিং য়াওরবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খামদোক্কেবু খল্লবদি হাপ্পা অমসু চঙলোই, নোংমা নীনিদা লোইশিনবা ঙমগনি। করিগীনো খামদোক্লিংদ্রিবা? লাল্লি খঙলবা কুকিবু লাল্লি হায়নীংদবগীরা নৎত্রগা ইচুমদা চুল্লবা মীতৈবু চুম্মী হায়নীংদবগীরা? মালেমদা মেম্বর মশীং খ্বাইদগী য়াম্না লৈবা পার্টি ওইরিবা বি জে পিগী দবল ইঞ্জিন লৈঙাক্লা মীতৈ কুকিগী লান লোইশিন্দবগী মরম লৈফম থোকই। লমদম অসিগী লৈঙাক্কী অমদি পার্টিগী লুচিংবশিংনসু খঙফম থোকই, খঙলমগনি। খঙদ্রগনা হংগদবনি, সোল্যুসন পুথোক্কদবনি, লান খামহনগদবনি, লোইশিন্নবা হোৎনহনগদবনি। লৈবাক ঙাক্লবা মীয়াম্না চহী মঙাগী থৌদাং শিন্নখিবনি, ঙমদ্রবদি করি তৌগনি অমুক হায়নরুবগী মথৌ তারিবরা? অমুক তাক্লরুখিগদ্রা? ●

# মীয়াম্না অদুমক শিকি তিংদনা শোয়দনা থাগৎলক্কনি

## (কুকি মিলিটেন্ট এক্সত্রিমিষ্টশিংনা চীংখোঙ-চীংয়াদা লৈবা য়েলহৌমী মীতৈ/মৈতৈ কম্যুনিটিদা লেপ্তনা সুম লান্দারকপদগী অরাম্বাই তেঙ্গোলগী মথৌ শঙখিবনি)

- সৌবাম বিরধজ -

য়োৎনা মৈদা মথৌ শঙল-শঙলগা থৌবা হেনগৎলকপগুম, কুকি মিলিটেন্টশিংনা তম্পাক্তা লান্দাবা হেঞ্জিল্লক্লি মখৈ মরৈবাক মজাতি কন্নবগীদমক মীতৈ/মৈতৈ অথৌবশিংনা অরাম্বাই তেঙ্গোলদা য়ূমথোঙ খুদিং য়াওশিল্লক্লিবনি। নোংম-নোংমগী অরাম্বাই তেঙ্গোলগী লানন্মী মশীং ঈশিং ঈচাওগুম হায়ফম খঙদনা হেনগৎলক্লি। অসুম্না অরাম্বাই তেঙ্গোলনা অনৌবা শক্তম অমগুম ফূগাইনা শাৎকাইরক্লিবনি। মণিপুরদা ওইরক্লিবা অনৌবা শক্লোনগী ফীভমশিংনা কাউহনখ্রবা, হান্না হংনরম্বা ৱাহংশিংদি ১) ৱার ওন নার্কো টেররিষ্টকী প্রোব্লেম ২) ইল্লিগেল মাইগ্রেন্টশিংগী প্রোব্লেম অমসুং ৩) ইনভাইরনমেন্টেল প্রোব্লেম অহুম্মকসি লোইনমক কাউথোকখ্রগা হৌজিকমক ঐখোয়না ঙাক্কদৌবসি ‘মণিপুরগী শক্তম কায়বা য়ারোই’ হায়বসিনি। খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইরক্লিবসি মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম ঙাকপসিনি। মে ৩দগী হৌরকখিবা মতমদুদা মসিগী ৱাফম’সি য়াওরমদে। অসুম্না মায়কৈ হোংলক্লিবসি মে ১২দগী কুকি এম এল এ ১০না সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন তান্নবগী ৱাফমশিং য়াওশিল্লকপদগী অনৌবা মায়ওনসিদা অরাম্বাই তেঙ্গোলনা নৌহৌননা হৌরকখিবনি হায়বসি অখণ্ড অহৈশিংগা কূপথনা নৈনরকপদগী তপ্না তপ্না খঙনরক্লি। কুকি কম্যুনিটিনা কয়ামুক তমথীবগে হায়বদা মোরেদা কম্যান্দোশিং মপাঙ্গল শোম্থহন্নবা মোরেদা দুকান পূম্নমক থোঙ লোনশিন্দুনা ঈশিং ফাওবা ফংহন্দনবগী ফিরেপ লৌরক্লিবসিনি।

মীতৈ/মৈতৈ পাউরৌদা হায়রগনা ‘হুদনা হুরদি লৈমা হেক্তা হুহৌরো’ হায়দনা মণিপুরগী লৈঙাক্লা কাঙখোঙ চাইবগুম চাইরিঙৈ ঐখোয় মীতৈ/মৈতৈগী এম এল এ মশেল পূনশিন্নবা ঙমদ্রিঙৈ (দেল্লীদা কোইরোৎ লোৎনরিঙৈ) দা কুকি এম এল এশিংনা হেক্তা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনগী দিমান্দ ফংননবা তালহৌরগে খল্লুবদগীনি। অসুম্না মীতৈ/মৈতৈ এম এল এশিং খরনা মন্ত্রি ফম ফংহৌদবদগী চীফ মিনিষ্টর শিন্ননবা লাল্লোং চখ্রক্তুনা দেল্লীদা চেনশিন্নখি। এসেমব্লি ফম্বা ফাওবা য়াওদনা কোইরোৎ লোৎতুনা খাঙনখি। মতমদুদা কুকি মিলিটেন্টশিং অমসুং এম এল এশিংসু এসেমব্লি ফম্নবগী লাকপা খুদোং চাররোই হায়দুনা লাকখিদে। মণিপুরগী সী এমনসু করিসু এক্সন লৌখৎপা ঙমখিদে। কেবিনেট মীফমদসু কুকি মিনিষ্টরশিং নোংমতা লাকখিদে, মদুদসু এক্সন লৌখৎপা ঙমদে। থা তরুক্কী মনুংদা এসেমব্লি ফমদবা য়ারক্তবা, লোয়ননা মতমসিগী খ্বাইদগী চাউবা (কম্যুনেলগী থৌদোক ৱাথোক) পূম্নমক এসেমব্লিদা খন্ন-নৈনগদৌবা তানফমনি। মতমদুদা মণিপুরগী ওইরক্লিবা ৱাথোক অসিগী অখন্নবা এসেমব্লি মীফম পাঙথোক্তুনা এসেমব্লিদা কুপ্পা খন্ননবা নুমিৎ ৪/৫নি এসেমব্লিগী মীফমদা খন্নগদৌবনি হায়না মণিপুরগী মীয়াম/সী এস ওশিং/পোলিটিকেল পার্টিশিং, মৈরা পায়বী অমসুং খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ফম্বীশিং পূম্নমক্লা য়াম্না কন্না তকশিল্লিবনি। নাকল অমরোমদনা কুকি মিলিটেন্ট এক্সত্রিমিষ্টশিংনা লোইয়া লম/চীংখোঙ চীংয়া (পেরিফেরি) গী মফম মফমদা লেপ্তনা নোংমৈ কাপথরক্লিবনি। অদুগা অমুক নাকল অমরোমদনা চুংশিন্নবা ওপোজিন (ইন্দিয়ন) পার্টিনা কন্না কন্না পার্লিয়ামেন্ট মীফম মনুংদা লাওরিবনি, ফনা লাউজরবসু ওনরেবল প্রাইম মিনিষ্টর মোদিজিনা করিসু নাচুংবিদে। মতমদুদা তম্পাক্কী চীংখোঙ চীংয়াদা, সিফাই ঙাক্লগা লৌউ-শিংউগী থবক থৌরমশিং চখ্রবা হায়বসি অমুক্তা থোকখিদ্রিবনি। কম্যান্দোশিংগী গাড়ী থোকফমদা অসাম রাইফলসনা মখোয়গী কেম্পর গাড়ীদু ফৈজিন্দুনা থল্লিবনি (মণিপুর পুলিসকী গাড়ী থোকপা য়াদনবা হেক্তা খিন্দুনা থল্লিবনি) মদুদা খূৎলায় পায়বা মশেল উংখৎনরিবনি, লাইবক ফবদগী খূৎ থোক্লখিদবনি। ইন্টরনেট ফংহন্দদুনা ভাইরেল চৎকদৌবা ৱাথোক কয়া কয়া কন্ট্রোল তৌখ্রবনি, অসুম্না ঐখোয় পূম্নমক্কী হক মৎখ্রবনি। কুকি মিলিটেন্টশিংনা বুলেট প্রুফ লায়না ফাওজিনবা ঙম্বা অফবা মখলগী নোংমৈ ফাওবা শীজিন্নরে হায়নরক্লিবসিনি।

থা খরগী মমাঙদা, লৈকায় লৈকায়গী মফম খুদিংদা মীফম পাঙথোক্তুনা, শেল খায়গৎনদুনা রিফ্যুজি কেম্পতা লৈবশিংদা চানবা-থক্লনবা থিনবা, ফিরোল থিনবা চৎনরিবনি। অখন্নবা মীওইশিংদগী শেল খায়গৎনদুনা, খুল ঙাকপশিং/অরাম্বাই তেঙ্গোল য়ুনিট খুদিংমক্তা নোংমৈ মরূ, গন প্রুফ জেকেট, খোঙউপ বুঠ, হেলমেট অমসুং মথৌ তাবা পোৎলমশিং মীয়াম্না চীংখোঙ চীংয়াগী খুল ঙাক্লিবশিংদা থিল্লিবনি। মৈরা পায়বীশিংনা অয়ূক, নুংথিল, নুমিদাং, অহিংগী মতম খায়দোক্লদুনা অসাম রাইফলশিংগী চখোক-চৎশিন পূম্নমক কুপশেন শেন্নরিবনি। পূম্নমক্তু ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং কুকি কম্যুনিটি অনীগী মরক্তা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন ‘সূ’ অসি চৎনখিবনা অসাম রাইফলশিংগা কুকি মিলিটেন্টশিংগা খূৎ থোক্লবা য়াদবগীনি। মতমদুদা মণিপুরগী অখন্নবা এসেমব্লি সেসন ফমদুনা হৌজিক্কী ৱাথোকসিগী মরমদা খন্নগদৌবনি হায়না কোকোমি অমসুং সী এস ও পূম্নমক্লা নুমিৎ খুদিংগী দিমান্দ তৌরিবনি। অদুম ওইনমক, মতমদুদা মচোই-মচোই তানরবা মীতৈ/মৈতৈ এম এল এ ৩৫ অমসুং ওপোজিসন কোংগ্রেস ৫না করিগী এসেমব্লিদা ৱাথোকসিগী মরমদা নুমিৎ ৪/৫নি এসেমব্লিদা খন্নদ্রিবনো হায়বসি মতমদুগী খ্বাইদগী চাউবা ৱাহং ওইখিবনি। এসেমব্লগী অচেৎপা ৱারেপ্তু মতম চানা দেল্লীদা থারম্লবদি নহান্না ‘সূ’ হন্দোকপা, এন আর সী চৎনহন্নবা খোঙথাং লৌখৎতুনা লান লেপ্পনম্বা হেন্দোক্লা য়ারবনি। পূম্নমক অদু মতমদুদা তম্পাক্কী মীতৈ/মৈতৈ এম এল এশিংনা মাগী মাগী খুদোংচাবা য়েংলগা মখোয় মশেল পূনশিন্নবা ঙমদবদগী কুকি এম এল এ ১০ খক্লা পুনশিন্নদুনা মঙক হাইগৎখিবনি, য়াম্না থীনা ইকায়নীংঙাইনি। পূম্নমক য়েংলবা/খঙলবা মতুংদা মীতৈ/মৈতৈ য়েলহৌমীশিংনা ‘সূ’ হন্দোক্লবা হৌজিক্তা অরোইবা খোঙ্গাও/শিরমদাই খোঙ্গাও কাউরকপনি।

হৌখিবা ওগষ্ট থা লোইরমদাইদা য়াম্না ৱানা ওনরেবল চীফ মিনিষ্টরনা কেবিনেট মীফম ফমদুনা হৌখিবা ২১/০৮/২০২৩, নিংথৌকাবা নুমিৎতা মণিপুরগী এসেমব্লিগী সেসন কৌবীনবা গভর্ণরদা সমোন তৌবীননবা হায়জবনি। মণিপুরগী গভর্ণর অনুসুইয়া উইকেনা ২৯/০৮/২০২৩ লৈবাকপোকপা নুমিৎতা এসেমব্লিগী মীফম ফম্নবা সমোন তৌদুনা (পোলিটিকেল এক্সপার্ট ময়াম্না য়াম্না য়েৎননীংঙাই ওইবা মতৌদা) এসেমব্লিগী মীফম মিনট ১২:০০ খক (রেকোর্দ ওইনা) অমগুম্না ফমখিবনি। মতম অদুদা বি জে পিগী এম এল এ মরক্তা মত মান্নদবগী দেল্লীদা কোইচেন চেন্নরিবনি, মদুমক্লা লৈঙাক মরা চেক্তবনা পি আর লাক্কদ্রা নৎত্রগা লুচিংবা শিনগদ্রা হায়না পঙাঙ ঙাঙনরিবনি। লোয়ননা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা মণিপুরগী মতাংদা ৱা অমত্তা ঙাঙদনা হৌজিক ফাওবা কুম্মৈগুম য়েংলগা লৈরক্লিবনি। হৌজিক্তি অরাম্বাই তেঙ্গোল অপূনবা য়ুনিটশিংগী কম্যান্দর ৫৫গী লুচিংপুরেল কোরৌঙানবগী মখাদা তেল্লবা থা খরগী মনুংদা অপূনবা ‘অরাম্বাই তেঙ্গোল’ অমা ওইদুনা কংলা উত্রাগী ফিৱাল মখোঙদা মীতৈ (মিনিষ্টর/এম এল এ) শিং অপূনবগা লোয়ননা মণিপুর কন্ননবা পূন্না শরি-ৱাশকমিন্নদুনা অনৌবা পুৱারী অমা শেমখ্রে। ৱাশক্লখিবা নুমিত্তগী মীতৈ/মৈতৈ এম এল এশিং, মিনিষ্টরশিং পূম্নমক পুল্লপ লেপমিন্নরগনি অমসুং অরাম্বাই তেঙ্গোলগা পূন্না য়ানখিবা পোইন্টশিং (১) ১৯৫১দা বেজ য়্যর ওইরগা মণিপুরদা এন আর সী চৎনহনবা (২) ফোরেন্নর ওইরবশিং দিপোর্ট তৌখিবা ৯৩) ইন্দিয়া, মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমসুং কুকি লালহৌবশিংগা চৎনরিবা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সূ) হন্দোক্লদুনা এক্সত্রিমিষ্টকুম মীতৈ/মৈতৈ কম্যুনিটিদা লান্দারক্লিবশিংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা এক্সন লৌখৎপা (৪) ম্যান্মারদগী চঙশিল্লক্তুনা মণিপুরগী দিটেন্সন সেন্টরদা লৈরিবশিং মিজোরামদা থিন্দোকখিবা (৫) ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর শম্বল অথুবা মতমদা খাজিনবা অমসুং অসাম রাইফলশিং লৌথোকখ্রগা অনৌবা অমা শিনবা (৬) কুকি ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং এস টি লিষ্টতগী লৌথোকপা অসিনচিংবনি। মথক্কী ৱাফমশিং অসিবু থবক ওইনা ওম্থোক্কদৌরিবসি মীতৈ/মৈতৈগী এম এল এ/এম পিশিং অসিনা য়েলহৌমী কম্যুনিটিবু কন্ননবগীদমক ইন্দিয়া লৈঙাক্তা চৈথেং পীননবগীদমক এম এল এ/এম পি পূম্নমক রিজাইন তৌননবগী ফিরেপ লৌরে খঙহনগদৌবনি, তঙাইফদনা ইরৈবাক্কীদমক রিজাইন তৌগদৌবনি হায়না থমজরি।

হন্দক্তা লাক্লম্বা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মীহুৎ অহুম্নসু ইহান হনবদা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন ‘সূ’ অসি হান্না লৌথোক্লবা হোৎনরগে/খন্নরগে হায়রল্লে হায়রি। পাউগী লিখুন অমগী মতুংইন্না য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) অমসুং কুকি নেসনল ওর্গনাইজেসন (কে এন ও) গী মীহুৎশিংগা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসকী এদিসনেল সেক্রেটরি পিয়ুস গোয়লনা লুচিংদুনা হৌখিবা চহী ২০২৩গী ফেব্রুৱারী ১৭তা দেল্লীদা ফমখিবা অখন্নবা মীফমদা ‘সূ’ এগ্রীমেন্ট অসি চহী অমগী ওইনা লাক্লিবা ২৯/০২/২০২৪ ফাওবা শাংদোকখিবনি হায়রি। এগ্রীমেন্ট অদুদা য়ু পি এফকী মায়কৈদগী থেথিয়োস জোমি জৌসুবা থাদৌনা খূৎয়েক পীখি। লোয়ননা কে এন ওগী মীহুৎতনা ডা. সাইলেন হাওকিপনি। মণিপুরগী ষ্টেট লৈঙাক্কী রেসিদেন্সিয়ল কম্মিস্নর দেবিস দেবিলনা শরুক য়াদুনা এগ্রীমেন্ট অদুদা খূৎয়েক পীখিবনি হায়রি। অসুম্না য়ু পি এফ অমসুং কে এন ও অনীগী মরক্তা গ্রাউন্দ রুলদি অহোংবা অমত্তা লৈতে হায়খি। হায়রিবা ‘সূ’ এগ্রীমেন্ট অসি লালহৌলূপশিং অসিগা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা চহী অমমমগী ওইনা এক্সটেন্সন তৌনদুনা লাকখিবনি হায়রি। হৌজিক্কী লৈরিবা ফীভম অসিদা মণিপুর লৈঙাক অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা করি ফিরেপ লৌগদৌরিবনো হায়বসি হংনীংঙাই ওইদ্রিবরা? পূম্নমক অসি তম্পাক্কী এম এলএ ৪০গী ফীরেপকী মখা পোল্লি হায়না প্রজা অমা ওইনা থমজরি। পোলিটিকেলগী খেন্নবা থমদনা তম্পাক্কী এম এল এ অমসুং এম পি খুদিংমক্লা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা ‘সূ’ এক্সটেন্সন তৌবা য়ারোই হায়না ইন্দিয়া লৈঙাক্তা খোঙ থিনবা ঙম্বা এম এল এ/এম পিদুনি ঙসিগী মীয়াম্না ঙাইরিবা/খৌরাংলি। ইরৈবাক কন্ননবগীদমক হঞ্জিন হঞ্জিন এম এল এ ওইবা তোকথোক্লবসু মমৈথংদা চীফ মিনিষ্টর ফাওবা ওইননবা লম্বী ওইরক্কনি হায়বসি কাউফদে। অহানবা ওইনা ফম থাদোকপা ঙম্বগী গটস লৈবা এম এল এগী রেকোর্দ অমুক্তা থম্বীরম্মু, ইচা-ইশু হাক্তক ফাওবদা এম এল এ ওইনা মীয়াম্না থাগৎলকপা ওইরসনু। অহানবা ফম থাদোকপা ঙম্বা এম এল এ ওইবীয়ু, কেন্দ্রগী এম এল এ ওইনা অদুমক মীয়াম্না শিকি তিংদনা শোয়দনা থাগৎলক্কনি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৩

১) **“ময়ি চৎলবা থৱায়”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো? করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

২) **“তীর্থ যাত্রিক**
**নীংশিংবগী ইরোন্নুংদগী খোংদোইরকপা”**
হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৩) **“য়েস সার! নো সার!”** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো অমসুং অইবগী মমিং করি কৌবগে?

৪) **“অতোপ্পা লোনগী ৱারীমচা”** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা খোমজিল্লগা সম্পাদন তৌদুনা পুথোরকপগে?

৫) **“ফাইরেন থানা লাকপদা**
**অঙাওবা মালং ওইবা নঙবু**
**ইঙাও ঙাওনা খোঙদোইরক্লো**
**থম্মোয়গী থোঙ্গাল তম্না লাক্লো”**।
ঈশৈ মতেক অসি অইবা অমগী ঈশৈ শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবগী মমিং অমসুং লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং হায়য়ু?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অহৈবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।